# সাহিত্য একাডেমি ত্রান্সলেসন প্রাইজ

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ঃ সাহিত্য একাডেমি, ন্যু দিল্লিনা বেঙ্গালি, মণিপুরী অমদি সন্তালি লোলশিংদা সাহিত্য একাডেমি ত্রান্সলেসন প্রাইজ ২০২২ পীগদবশিংগী মীং লাউথোকখ্রে হায়রি।

মণিপুরী লোলগী ওইনা সলাম তোম্বনা অরবিন্দ অদিগানা ইংলিস লোলদা ইবা দ হ্বাইট টাইগর হায়রিবা নোবেল অসিবু মণিপুরী লোলদা অঙৌবা কৈ হায়না হন্দোকপগীদমক পীগদবনি। অদুগা বেঙ্গালি লোলগী ওইনা সৌভিক দে সরকারনা ব্রাইবি সত্যানরায়ননা ইংলিস লোলদা ইবা মাই ফাদর বলিআহ হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসিবু বেঙ্গালি লোলদা অমর বাবা বলিআহ হায়না হন্দোকপগীদমক পীগদবনি। সন্তালি লোলগী ওইনা বেনিয়ামিননা মলায়ালম লোলদা ইবা আদু জিবিথম হায়বা নোবেল অসিবু মেরোম গুপী দিন হায়না সন্তালি লোলদা হন্দোক্লুনা ফোঙবগীদমক পীগদবনি।

এব্রার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০ অমদি কোরিগী প্লেক অমা য়াওরি। এব্রার্দ অসি মথং চহিদা পাঙথোক্কদবা অথন্নবা থৌরম অমদা য়েংহোক্কনি।